# কুমজা ১৯৬৩দা কট্টক্তা তৌখিবা মাপলশুবা নেসনল স্কুল গেমসকী টেবল টেনিস বোইসকী কম্পিটিসনদা ঐহাক্না সেকেন্দ প্রাইজ লৌজরকখি



লৌরেন্বম দয়ামোয়
*ভেটরান প্লেয়র*

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

অকাউ-পরৈ চল্লুরবশিং

(ঙরাংগী মখা)

টেবল টেনিস অসি খরা খরা শান্নরকপদগীদি সিনিয়র অহলশিংনসু ঐখোয়দা তাকপা য়াবা কয়া তাকপীরকখি। নেসনল স্কুল গেমসকী কুমজা ১৯৬৩দা শান্নখিবা ইন্দিভিজুয়েলগী প্লে অদুমদি ঐহাক হৌজিকফাওবা ফজনা নীংশিংজরি। স্কুল গেমসকী (কট্টক্তা) টি টিগীদা ঐখোয় চৎমীন্নখিবসি তা কুঞ্জবিহারিনে, ঐনে, রাজেননে, নুপীদনা খুয়াথোং পুখ্রি অচৌবা মনাক্তগী সনায়াইমাগা নাগামপালদগী অমগা পুন্না মঙা চৎখিবনি। কুমজা ১৯৬৩গী মতমসিদদি ঐখোয়সি শান্নবদা মওং খরা তারক্লবা মতমনি। কট্টক্তা চৎখিবসিমদি ঐখোয় সুকশোই শোইদনা চেম্পিয়ন লৌরকপা ঙম্লগনি খল্লগা চৎখিবনি। মদুদা ঐখোয়বু লিদ তৌদুনা পুবিখিবসি নিংথৌজম ওজা ব্রজামনি, ঙাংরাংবম ওজা মনি অদুগা থাংজম ওজা মোধুগনা পুবীখিবনি। পুলগী ওইনা মথং মথং শান্নরকপসিদা ঐখোয়না লোইনমক থোইবা ঙম্লক্তুনা পুলগী ওইনা ফর্স্ত তারকখি। মদুদগী সেমি ফাইনেল য়ৌরকখি। হায়রিবা সেমিফাইনেল অদুদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র নম্বর ৱান ওইবা দিল্লি মচাসিগা ঐগা তাখি। ঐহাক্না, পেন পায়রগা শৎ শৎ চিংখৎলগা থাবসিদা দিল্লি মচাসি খরা ৱানা থোকখি। থোইবসু ঐনা ইরাই লাইনা থোইখি। মদুদা, ঐখোয়বু পুরগা লাকপা ওজাশিংনা শান্নবা হেক লোইবগা শঙ্গোম, লফোই, য়েরুম, ব্রেদ ময়ামসি তপ তাবমখে পীজখি। ঐসু ৱানা শান্নরুবনিনা পীজরিবা পোৎ পুন্নমক হরাওনা লোইনা চাথোকখি। অদুগদি সুপ্নতংগী পুং অমগী মতুংদা বেঙ্গলগা ফাইনেল শান্নরগনি হায়না লাউথোরকখি। হায়রিবা মতমদু ঐদি পুক পিক থন্না চাশিল্লুবগী লোইবদা ঙাইরিবনি। আস! সিদি শান্নবা ঙমদৌ মান্দ্রে হায়না পুক্লিংদা চিংনবা ফাওখি। শান্নদবদি য়াদবনিনা থোল্লগা শান্নখি। হকচাংসি লৈথোক-লৈশিন তৌদুনা শান্নরকপা মতমসিদা চাশিন-থকচিনখিবা ময়ামদুনা পুকচেপসি নারকখি। ঐগা ফাইনেল শান্নরিবা বেঙ্গল মচা বি বি বোস হায়বসি টি টিদা খরসু মমিং লৈজবা প্লেয়রনি। অদুদসু নত্তনা মখোয়দি খরা ষ্টের্ন্দাদ লৈবা জপানগী রবর বেটকাসি মতমদুদা পায়দুনা শান্নরে। দিল্লি, বোম্বে, কলকতাগী টি টি প্লেয়রশিংসিদি ফ্লাইটকী পাইলোট ময়াম লৈবনিনা পাইলোটশিংসিদা থওইনা চেল্লগা চাইনাগী, কোরিয়াগী, জপানগী বেটসি পায়বজ ৎনি। অদুগা ঐখোয়না পায়দুনা শান্নজরিবা বেটসিদি লুপা ৭০০ খক্তা পীবনি। অফবা বেট ফনা পায়দুনা শান্নজরবসু ঐখোয় মখোয়গা অদুমক লম্বা তৌবা ঙমজখি। য়াম্না লাকচনা থোইখিবদি নত্তে। সেমিফাইনেল মেচতা ঐনা থোইদুনা ফাইনেল চঙবা ঙম্লকখিবা অদুদা ওজাশিংনা হরাওমনখিদুনা কা-হেন্না পীজখিবদগী ঐহাক পুকচেপ নারক্তুনা ফজনা শান্নবা ঙমখিদবনি। পুকসি নারবনিনা বোদি মুভমেন্ট তৌবসি অৱাবা অমা ওইখি। লোয়ননা ঐহাক সেকেন্দ তারগা হল্লকখি। দবলসতা ঐগা লম্বা ওইবসিনা ঐখোয় খুরাগী মচা রাজেনগা ঐগনি। ঐনা পেন পায়রগা শান্নবা, অদুগা মহাক্না পায়বা ষ্টাইলসিনা শেক হেন্দ হায়বসিনি। দবলসকী শান্নবসিদা ঐনা বোলসি শৎ চিঙখৎপা, মানা ফৎ-ফৎ কক্লগা থাবসিদা ওপোনেন্ট টিমদদি পুমঙাও ঙাওহনবা ঙমখিবা মতমসু লৈখি। রাজেননা ককপা, ঐনা চিঙখৎপা খুৎশান্নগী মেচিংসু য়াম্না চানবসু ওইখি। মণিপুরদা তৌখিবা টুর্নামেন্টশিংদদি কুমজা ১৯৫৭তগীনা কুমজা ১৯৬৬ ফাওবা ফজনা মায় পাক্লা শান্নবসু ঙমজখি।

অমরোমদা, ঐহাক্তি ইনিং তম্না নুংঙাইনা শান্নবা হায়বদুমদি ফঙলকখিদে। ঐবু পোকপা বাবাসি কুমজা ১৯৬৫দা লৈখিদে। অদুনা, ইমুং-মনুংগী থবক ইনখাং, গাড়িনচিংবা য়েঙশিন্দবা য়াদবা মতাংসু লাকখি। শান্নবসি থৱায়-হকচাং য়াওনা পামজরবসু, অহল-লমন লৈতবা য়াওরকপদগীদি অপনবা খরসু ওইরকখি।

স্কুল গেমসকী মপান্দা অহানবা চৎপা মতমদা থেংনরকখিবা অৱা-নুংঙাই হায়বা তারবদি কুমজা ১৯৬০গী মতমদা দিমাপুর লন্বীগসি থোইনা ফবা মতম নত্তে। অদুবু, ঐখোয় মপান্দা শান্নবা চৎলিবনি খন্দুনা অৱা-অনাগসি থোইনা খনখিদে। নহা ঙাক্তনিনা নুংঙাইনা ৱা-ৱা তৌরগা অদুম চৎখিবা ঙাক্তনি। নহাওইরিঙৈ মতম হায়বসিদি নুংঙাইবা মতমনিদো। নেসনল স্কুল গেমসতা শরুক য়াজরুবা মনা-মথুমগা লৌরকপা, মদুনা মরম ওইরগা থবকসু ঐখোয়সি লোইনা ফঙনখি। ঐখোয়না থবক চঙজরকপা মতমদা, পুলিস ওফিসার ওইনা লৈবীরম্বসি জে সি গোগোই হায়বদুনি। অমরোমদা, টি টি প্লেয়রদগী অচৌবা ওফিসার ওইবীখিবা সিনিয়রশিংসু অদুম য়াওখি। ইয়াম্বা এ কে বিজয়সিদি হোর্টিকলচরগী জোইন্ট দিরেক্টরগা ওইখিবনি। ইয়াম্বা কুঞ্জবীহারিসিনা পুলিস দিপার্টমেন্টতা এস আই ফাওবা পুবীরম্বনি। ঐহাকসু সেকেন্দ এম আরদা চাউরাক্লা চহী অমা খরা হেন্না শান্নদুনা লৈজরম্মী। হায়রিবা মতমসিদা মণিপুর পুলিসকী ভোল্লিবোল টিমদসু য়াওদুনা শান্নজরকখি। টেবল টেনিসতা খরা হেন্না পামজরগসু ঐখোয় লৈকাইসিদি ভোল্লিবোলগী লৈকাইনিনা ভোল্লিবোলসিমসু ঐহাক শান্নবা ফজনা হৈজরকখি। ওল অসামগী ওইনা মণিপুর পুলিস টিমদা য়াওদুনা শান্নজবদা ঐখোয়না চেম্পিয়ন লৌবা ঙম্বদগী ইষ্ট জোনগী ওইনা নিমসতা অমুক শান্নবা চৎচরকখি। ইষ্ট জোনগী টুর্নামেন্টসিদদি বি এস এফনা লৌখি। বি এস এফকী অৱাংবা প্লেয়রশিংনা ফুদরকপদা ঐখোয় ঙাকপা ঙমখিদে।

*... মথং মথং ...*




# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৯

১) খা কোরিয়া মচা অমনা ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল হেক ফংখিবগা অসুম্না হায়খি "ঐনা য়ুন অমসুং মহাক্কী ইমাদা ঙাকপীয়ু হায়রি। ঐগী সনাগী মেদল অসি মখোয়গা ঐগা পুন্না ফংমিন্নবনি"।
(ক) মসি কনানা হায়খিবনো? (খ) করি মরমগী হায়খিবনো?

২) মহাক য়ুরোপ মচানি, ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননী, ফিল্মসু য়াওখি, কুমজা ১৯৯৮দা কার এক্সিদেন্টতা লৈখিদবদা মালেম পুম্বনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৩) ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমগী মেদল ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিনিনা মতম খরা লৈরগা লৌশিনখি। মরমদি মহাক প্রোফেস্নেল ওইনা শান্নবদা শরুক য়াই হায়বগী মরমদনি। মহাক শীরবা মতুংদা মহাক্কী মশুশিংদা মহাক্কী মেদল অদু অমুক শীন্নখি। মহাক কনানো?

৪) ঐহাকপু চেকশুবা নিপানি হায়দুনা ইংলেন্দগী থেমস তুরেন্দা হিয়াং তান্নবদা শরুক য়াহন্দে। ঐ ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননি, ইচা নুপীনা লৈবাক অমগী মহারানিনি। ঐ কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বরময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।


# ওলিম্পিক টেষ্টকীদমক ইন্দিয়াগী হোক্কি টিম শেম্বদা কোথাজিৎ অমসুং নিলাকান্তা য়াওখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৫(এজেন্সী)ঃ

জপানদা মথং থাগী ১৭তগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক টেষ্ট ইভেন্টতা শরুক য়ারুগদবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ১৮ লাউথোকপদা খদাংবম কোধাজিৎ অমসুং নিলকান্তা শর্ম্মা য়াওখ্রে।

ইন্দিয়াগী হোক্কি টিম অসিগী চীফ কোচ গ্রাহম রিদনা ফোদোকখিদা ইন্দিয়াগী সিনিয়র প্লেয়র ৩ ব্রেক পীখি। মখোয়শিং অদুদি কেপ্টেন মনপ্রিট সিংহ, গোল কিপ্পর পি আর স্রিজেস অমসুং সুরেন্দ্র কুমারনি। মখোয়বু মতম খরা পোথাহন্দুনা নভেম্বর থাদা পাঙথোক্কদবা ওলিম্পিক ক্বালিফাইয়িং মেচ অদুগা মতম অদু য়ৌরকপদা মখেয়বু অমুক শান্নহগদৌরি।

টোকিয়োদা শান্নগদৌরিাব ওলিম্প টেষ্ট ইভেন্ট অসিদা ইনি দয়ীকেপ্টেনগী থৌদাং অদু হরমন



প্রিট সিংহনা ওইরগনি। লোয়নননা ভাইস কেপ্টেনগী থৌ অদুনা মন্দিপ সিংহনা পুহনগদৌরি।

আসিস টোপনো অমসুং সমসের সিংহ মখোয় মখোয়গী অহানবা ওইনা সেনিয়র টিমদা খন্দুনা ইন্টর্নেসনল মেচ শান্নবা হৌগদেবিরনি।

টুনামেন্ট অসিনা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা অকায়বা লৈরোইদবা মরম্মা শান্নরোয়শিংনা প্রেসর লৈতনা শান্নবা ঙমগদৌরি। মসিদা শান্নরোয়শিং অদুনা মশা মশাগী হৈথোই শীংথোইবা অদু উখোকপা য়াবগী চপ চাবা খুদোংচাবা অদু ফংগদৌরি।

# জপান ওপনদা পি ভি সিন্ধু অমসুং সাই প্রনিথ ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, ঐচ এস প্রনোয় মায়থীহৌরে

টোকিও, জুলাই ২৫(এজেন্সী)ঃ

জপানগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ৭৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা জপান ওপন ২০১৯ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপীগী নম্বর ৱান শান্নরোয় পিভি সিন্ধু অমসুং সাই প্রনিথ ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। অদুবু অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ঐচ এস প্রনোয় অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫ শুবা সিদেদ ওইরিবী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি জপানগী শান্নরোয় আয়া ওহোরিবু গেম ২-১দা মায়থীবা পীখি। অহানবা গেম অদু জপানগী শান্নরোয় অদুনা সিন্ধুবু ২১-১১দা থোইখি। অনীশুবা গেমদা সিন্ধুগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উৎপা ঙম্লকপদগী ওহোরিবু ২১-১০দা থোইদুনা দিসাইদিং গেম শান্নখি।

দিসাইদিং গেম অদুদা পি ভি সিন্ধুগী মায়কৈদগী অমুক্তা হেন্না ফজরকপা মরম্না ওহোরিগী সোট খুদিংমক কোম্না শান্নবা ঙমখি। পোইন্ট ২১-১৪দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা সিদেদ জপানগী অকানে য়ামাগুচিগা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াই, হৌখিবা চয়োলদা ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা পি ভি সিন্ধুবু অকানে য়ামাগুচিনা মায়থীবা পীরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথ অনীশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না ঙসি জাপনগী কান্তা সুনেয়ামাবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৩, ২১-১৬দা মায়থীবা পীদুনা হয়েং ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় তোমি সুগিয়াটোগা লম্বা তৌনরগনি।





ইন্দিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা অতোপ্পা লৈবাক অসিগী শান্নরোয় কিদম্বি স্রিকান্তপু থোইরম্বা ঐচ এস প্রনোয় দেনমার্ককী শান্নরোয় রাসমুক জেমকেগী মখুৎতা ৯-২১, ১৫-২১দা মায়থীবা হৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী পেয়র সাতৱিকসাইরাজ অমসুং চিরাগ রানকিরেদিনা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী কাই জিয়াং হুৱাং অমসুং সেং লিয়ুবু ১৫-২১, ২১-১১, ২১-১৯দা মায়থীবা পীদুনা হয়েং ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ুম্বু লৈবাক অদুগী ৪ শুবা সিদেদ পেয়র টাকিসি কমুরা অমসুং কৈগো সোনোদাগা শান্নগনি।

# ইন্দিয়াগী বোক্সর এম সি মেরি কোম অমসুং গৌরব বিধুরি প্রসিদেন্টন্স কপ বোক্সিংগী সেমিফাইনেল য়ৌখ্রে

লাবোনবাজো, জুলাই ২৫(এজেন্সী)ঃ

ফিলিপিন্সকী সিটি লাবোন বাজেদা পাঙথোক্লিবা প্রসিদেন্টন্স কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টতা মমিং লৈরবী নুপী বোক্সর এম সি মোরি কোম অমসুং নুপাগী বোক্সর গৌরব বিধুরি সেমিফইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মেরি কোমনা কিলোগ্রাম ৫১গী কাংলুপ্তা শরুকয়াদুনা অহানবা রাউন্দ অদু বাই ফংখিবদগী সেমিফাইনেল য়ৌখিবনি। অতোপ্পা নুপীগী বোক্সর মোনিকা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। লোয়ননা কেজি ৫৪গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপী বোক্সর জমুরা বোরো সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী কিলোগ্রাম ৫৬কী কাংলুপ্তা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবা গৌরব বিধুরি সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না অফগানিস্তানগী বোক্সর ৱারিস কিরিমিবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর য়ৌরকপনি।

ইন্দিয়াগী নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা সিলভর মেদল ফংখিবা গৌরব বিধুরিনা সাউথ কোরিয়গী বোক্সর কিম হেজিনবু মায়থীবা পীরম্বা ফিলিপিন্সকী জুনমিরালদো ওগেরেগা সেমিফাইনেল লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াবদি, দিল্লিদগী হৌখিবা বোক্সর গৌরব বিধুরি চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা রসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকীদমক ইন্দিয়াগী টিম খনবদা মহাক য়াওখিদবনি। রসিয়াগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইনিদয়াগী টিমগী মায়কৈদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফাওবা ফংবা ঙম্লবদি টোকিয়োদা মতং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইরগনি হায়না হায় পর্ফোমেন্স দিরেক্টর ওইরিবা সান্তিয়াগোনা ফোঙদোকখি।

ইষ্ট জোন সাইনিক স্কুল স্পোর্টস এন্দ কলচরেল ফেষ্টিবেল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯-২০

# সাইনিক স্কুল গোলপরানা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচ এন এস):

সাইনিক স্কুল ইম্ফালনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা চথরকখিবা ইষ্ট জোন সাইনিক স্কুল স্পোর্টস এন্দ কলচরেল ফেষ্টিবেল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী শরুক অমা ওইনা ইষ্ট জোন সাইনিক স্কুল হোকি চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা পুরুলিয়া ৱেষ্ট বেঙ্গল অমদি পুঙলৱা নাগালেন্দ দ্রো চৎখ্রে। অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচ অদুদনা সাইনিক স্কুল গোলপরানা সাইনিক স্কুল ইম্ফালবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ইষ্ট জোন সাইনিক স্কুল স্পোর্টস এন্দ কলচরেল ফেষ্টিবেল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা পুরুলিয়া অমসুং পুঙলৱা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা টিম অনীমক্তা হেনজিন্নবা ঙম্নদনা ফজনা শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো চৎখি।



অনীশুবা গ্রাউন্দদা সাইনিক স্কুল ইম্ফাল অমসুং সাইনিক স্কুল গোলপরা শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবগা সাইনিক স্কুল গোলপরানা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা সাইনিক স্কুল গোলপরাগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৯ ধিরটি রাজনা মেচকী ৩শুবা অমদি ৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী অদুগা জর্সি নম্বর ৪ ঘনশ্যামনা মেচকী ১২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা পুন্না পাঞ্জল ৩ চনখি। অদুবু সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা ০-৩দা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্তা মখা তানা পাঞ্জল হন্দোক্লবা অমদি অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা তক্কদুনা লম্বা তৌনরকখি। অদুবু সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী মায়কৈদগী মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা শোত্থরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। অদুগা সাইনিক স্কুল গোলপরানা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাক্তুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

ইষ্ট জোন সাইনিক স্কুল হোকি চেম্পিয়নশিপ অসিদা সাইনিক স্কুল গোলপরানা পুন্না পোইন্ট ৭ ফংদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে। সাইনিক স্কুল পুরুলিয়ানা পোইন্ট ৫ ফংদুনা রন্নর্স-অপ তাখ্রে। সাইনিক স্কুল পুঙলৱানা পোইন্ট ৪ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন অমদি সাইনিক স্কুল ইম্ফালনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা মরিশুবা তাখ্রে।


## ꯁꯨꯃꯪꯂꯩꯕ/CONDOLENCE

*Imphal, dated 22-07-2019*



A profound condolence meeting of the members as well as the sympathisers of the Nambul Mapal Athletic and Cultural Organisation (NACO), Imphal was held on 22nd July 2019 at 8:00 a.m. in connection with the demise of **Dr. Elangbam Kulladhaja Singh,** former President of the Organisation with, Shri Th. Mahendra Pratap Singh, President NACO, in the chair. All the members deeply condoled the demise of the Dr. E. Kulladhaja by observing two minutes silence and remembered all his unforgettable hard works and contributions to develop the organisation. All the members also prayed the Almighty so that the departed soul may rest in peace in the heavenly abode and shared the grieves of the bereaved family.

***Sd/- R. K. Orjit Singh***
Secretary, NACO

HL-P/3471/26


## IN THE COURT OF SUB DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR

**Ref :- Mutation Case No. 395 and 396/SDC/Bishnupur, 2019**

1. Hiyang Roshan Chothe S/o (L) Gulapsing Chothe of Lamlanghupi, Bishnupur W/No. 12. *...Petitioner*

-Vs-

Gulapsing Chothe S/o (L) Yaikal Chothe of Chothe - O.P.

ꯆꯦꯇꯥꯛꯄ / **NOTICE**

Bishnupur, the 25-07-2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Gulapsing Chothe S/o (Late) Yaikal Chothe of Chothe দা লৈবগী মিংদা পানবা পাট্টা নং 38/338 (New) and 38/712 (O)/185 সী এস দাগ নং 3023 and 3024 গী 0.27 and 1.36 চাউবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নরসিগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

HL-P/3265/26 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Bishnupur**

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mut. Case No. 920/SDC/NBL of 2019**

Samom (O) Babita Devi W/o S. Lakpati Singh of Oinam Awang Leikai. *-Petitioner*

-Vrs-

(L) Samom Ningthemjao Singh S/o (L) Tombi Singh of Oinam Awang. *...Pattadar*

ꯆꯦꯇꯥꯛꯄ / **NOTICE**

Dt. 25/07/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 23- Maibam Patta No. 246 (Old), 563 (New), Dag No. 101, Area 0.69 acre of Phourel Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা লৌফম নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথ্রগনি।

***Sd/- S. Dhiren Singh***
Sub-Deputy Collector, Nambol

HL-P/3474/26

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG

**Ref :- Mut. Case No. 613 of 2019**

Wakambam Premila Leima W/o (Late) W. Rajen Singh of Pungdongbam Awang Leikai. ...Petitioner

- Verses -

(Late Pattadar) Wakambam Iboyai Singh S/o Thambou Singh of Sekta ...O.P.

ꯆꯦꯇꯥꯛꯄ / **NOTICE**

Sawombung, the 24th July, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ঈ ঈ তহশিলগী খুল নং ২৬- সেক্তা পাট্টা নম্বর ... (অরিবা), ৪০৩ (অনৌবা), দাগ নম্বর ১২০৪গী এরিয়া ০.৭২ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার ৱাকমবম ইবোয়াই সিংহ অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্তা মমিং পীরিবা দংকারি অসিনা লৌফম অসি মহাক্কী স্বর্ত্ত ওইনা ফংজরে। মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা আপতি তৌবা অইবা চে ওইনা পীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথ্থরগনি।

***Sd/- Irungbam Julius Singh***
Sub-Deputy Collector, Sawombung

HL-P/3267/26

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

**Ref :- Mutation Case No. 639/AS&SO/Kak 19/07/2019**

Mayanglambam Santi Devi W/o (L) M. Ojit Singh of Kakching Khunyai Leikai. *-Petitioner*

-Vs-

(Late) Mayanglambam Ojit Singh S/o Jullon Singh of -do- *-O.P.*

ꯆꯦꯇꯥꯛꯄ / **NOTICE**

Kakching, the 19/7/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা ককচীং তহশিলগী খুল নং ৬১ (বি) লৌশিপাৎ পাট্টা নং ২৫৬ (অরিবা), ৯৪ (অনৌবা), দাগ নং ২১১৮, হেক্টর ১.১৫০০ চাউবা তাওথবী লৌফম, খুল নং ৬২/ককচীং ৱাইরি, পাট্টা নং ৭২৬ (অরিবা)/৩৮৯/১১৮৪, দাগ নং ১১৯৪/১২৭৭, একর ১.০৯ চাউবা লৌফম অমসুং পাট্টা নং ১০৬ (অরিবা)/৫৮১/পি এ টি (বি), দাগ নং ৩৫৮৩ পি টি (বি), একর ০.০৭ চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার ময়াংলম্বম ওজিৎ সিংহ পীং: ঝুলোন সিংহ সাং ককচীং ৱাইরি অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা পিটিস্নরগী মীংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা লৌফম/ইঙ্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি। তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা অমুক তাররোই।

HL-P/3470/26 ***Sd/-* Asst. Survey and Settlement Officer, Kakching.**